HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ

ৱাঙ্খেম এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী চরাংপাৎ ৱার্দ নম্বর ৬কী এরিয়াদা কোভিদ পেসেন্ট মশীং ৫৫ শুরক্তুনা লৈকায়গী পুখ্রিশিংদা ঈশিং শোকপা চৎপা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্ত রবশিংদা সোসল ৱার্কর কাঙবম জাদুমনিনা ঈশিং য়েনখিবা

ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর য়েঙ্কোকখ্রে
☛ লামায় ৩

যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী ঈশৈ ময়েক্তা তারিবা মমি-২
☛ লামায় ৫

হেরিকোন্না য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি
☛ লামায় ৬

খাসি হিলসতা অনৌবা অথিংবশিং থমখ্রে
☛ লামায় ৭

টোপ সিফাই ময়ায় লৈকায়গী সোবর লাইফনা ড্রগ য়ুজরশিং, কোভিদ-১৯ মায়োক্লবিবশিংবু মতেং পাংদুনা লাকপগী মখা তারকপদা ককচীংদা ২৬ সেক্টরগী এ আরগী ২৯শুবা বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংদা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর পীখিবা

Vol. 45, Issue No. 099 | নোংমাইজিং, ইঙাগী ২৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, July 04, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ওনলাইন লোক অদালট পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, বিষ্ণুপুরনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মখাদা থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ১০ তারকপদগী ওনলাইন নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি হায়রি।

লোক অদালট অসিনা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেস অমসুং দিসপ্যুটশিং অমদি প্রি-লিটিগেটিভ ষ্টেজদা লৈবা মেটরশিং পার্টিশিংগী মনুংদা সেট্‌লমেন্ট পুরক্তুনা মসিগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনগনি হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

পোক্সো কেসকী এক্ক্যুইজ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : মমাঙথাগী ২২দা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইহিরিবী নুপীমচা অমবু গিটর খোংবা তন্বীগনি হায়দুনা ময়ূমদগী কৌথোকখিবা মীওই অমনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা পোক্সো এক্টকী কেস অমগী এক্ক্যুইজ দি টি রোক্সন দাঙসৱা এলিয়জ সাইনাব সিফু (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা দি টি মোদার দাংসৱা, খারৌ খুনৌ ভিলেজদগী হৌজিক্কা তেংনৌপলগী তেরাফাই ভিলেজদা লৈববু কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে। মহাকপু ঙসি পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদি রিমান্দ মতম লোইরদুনা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

কম্মিসননা কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (ফেগোক্টা) অমসুং ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (অমক্টা) না ফেব্রুৱারী ১৭ অমসুং ২২দগী ক্লাস বোইকোট অমসুং সিজ ৱার্ককী খোঙজংশিং চঙশিল্লকপগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা সুও মোটুদা কেস অমা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর অমসুং দিরেক্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.২৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৭৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

HL Poll

Q: Pifam thokpa demandsing akanba khongjang changsingani haidriba faoba pidabasibu leingakki toupham thokpa thabakla?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Delta Varientki casesing leptana thengnarakliba asi lakshinnaba meeyamna Covid protocolsing cheksinna ngakpham thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- নোং তাদ্রে, নোং লাউরসিরা, সর?

- [illegible]



- নোং কোক তারক্লবদি ঈকংগী পেকেজ মাঙলোইদ্রা খল্লু।

- [illegible]

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরুবা এম এল এশিংগী লাইবক সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লেপ্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০১৭তা পাঙথোক্লগা মথংগী কুমজা ২০২২গী মার্চ ১৯ ফাওবগী মপুন্সি লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা কারকপা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কোংগ্রেস এম এল এ অনী য়াওনা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নরশিংনা ফাইল তৌনরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং পি আই এলশিংগী কম্মন জজমেন্টদা হায় কোর্ট অসিনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা হাপচিনবদা অয়াবা পীখিবা এক্ট অদু অন কন্সটিট্যুসনেল ওইরে অমসুং এক্ট অদুগা মরী লৈনবা রিপিলিং এক্ট, ২০১৮ অদুসু ইনভেলিদ অমসুং অন কন্সটিট্যুসনেল ওইরে হায়খিবগা মরী লৈননা কোংগ্রেস এম এল এ দি দি থাইসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা থা অসিগী ৫ নিংথৌকাবা নুমিৎতা খন্নবা লিষ্ট তৌখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এ দি দি থাইসিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা পিটিসন ফাইল তৌবনি, বি জে পি এম এল এ সুসিন্দ্রো অমসুং ষ্টেটনা স্পেসল লীভ পিটিসন ফাইল তৌবনি

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এম এল এ ১২বু (হৌজিক্কা এম এল এ ১ রিজাইন তৌখ্রবা) পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা হাপচিনববু চেলেঞ্জ তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) শিং অদুগী অরোইবা হিয়ারিং সেপ্টেম্বর ১১, ২০২০দা মতম অদুগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা পাঙথোকখিবনি। অদুগা কেস ময়াম অদুগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা সেপ্টেম্বর ১৭ ২০২০দা লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী মতুংইল্লদুনা অন কন্সটিট্যুসনেল ওইবা থৌওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবা এম এল এ ১২বু এম এল এ ওইবদগী দিস ক্বালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা পিটিস্নর দি দি থাইসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা সিভিল রিট পিটিসন নম্বর ১৫১ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখিবনি।

কোংগ্রেস এম এল এ দি দি থাইসিনা ঈ সী আইগী মায়োক্তা ৱাকৎ অসি পুখৎলদুনা ফাইল তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা বি জে পিগী খুরাই এ সীগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈনা এপেক্স কোর্ট অসিমক্তদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা রুল্লিং অদুগী মায়োক্তা স্পেসল লিভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২৩৮৬-২৩৯০ ওফ ২০২১ ফাইল তৌখি। এম এল এ অসিগী মায়কৈদগীদা নত্তনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপচিনবগী পৱার পীবা এক্ট অদু অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়দুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

বিরেন, বির ১সুং সুরচন্দ্রনা সুপ্রিম কোর্টতা এস এল পি ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লম্লাই, কুম্বী অমসুং ককচীংগী এম এল এশিং ওইনা কোংগ্রেস টিকেটতা কারক্লগা বি জে পিদা চোঙশিনবগী মায়োক্তা কোংগ্রেস এম এল এ ময়ামনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা লীংলিবা ট্রাইব্যুনেলগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা ৱায়েল চথরগা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎলুবদা কোর্ট অসিনা স্পিকরনা থোকখ্রিবা ওর্দর অদু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না চুম্না থোকখিবনি হায়দুনা পীরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরবু শিংনরদুনা এ সী অহুম অসিগী এক্স এম এল এশিং অসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) শিং ফাইল তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা দিসক্বালিফাই তৌবগী ওর্দর অদু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা চুম্না থোকখিবনি হায়বগী জজমেন্ট পীখিবনি

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা এক্স এম এল এ অহুমগী মায়কৈদগী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা মখোয় অহুম্বু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদু কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ২, সেপ্টেম্বর ৪, সেপ্টেম্বর ৮, সেপ্টেম্বর ১৫, নবেম্বর ২, নবেম্বর ৫, নবেম্বর ২৪, নবেম্বর ২৭, দিসেম্বর ৪ অমসুং দিসেম্বর ১০দা থেঙ্খাং নাইনা ৱায়েল চথরক্লগা কেসশিং অদুগী অরোইবা ৱায়েলনা দিসেম্বর ১৪, ২০২০দা পাঙথোকখিবনি। অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা মমাঙ থা (জুন ২, ২০২১) দা লাউথোকখিবনি।

লোয়ননা স্পিকরগী ওর্দর অদু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা চুম্না থোকখিবা ওর্দরনি হায়রদুনা এক্স এম এল এ অহুমগী পিটিসন পুম্নমক দিসমিস তৌখিবনি। অদুম ওইনমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা রুল্লিং অদু শিংনরদুনা এক্স এম এল এ অহুমসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এস এল পিশিং ফাইল তৌখ্রে। মখোয়গী এস এল পিশিং অদুগী দাইরি নম্বর ফংখ্রে। অথুবা মতমদা এপেক্স কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নগদৌরি।

বি জে পিনা লাক্লিবা মীখল থেংননবা শেম-শাবা হৌরে : এ শর্দা

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লাক্লিবা মণিপুর এসেমব্লীগী মীখল থেংননবা শেম-শাবা হৌরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোরক্লি।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা হায়খি, নুমীৎ হুম্নীগী মণিপুরদা লাক্লমখিবা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন বি এল সন্তোশনা বি জে পি মণিপুরগী এগজিক্যুটিভশিংগা তোঙান তোঙান্না মীফমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা

মীখল অসি মতৌ করম্না থেংনগদগে হায়না খন্ন-নৈনখ্রে। লোয়ননা মীখল অসিগীদমক শেম-শাবসু হৌরে। লোয়ননা পার্টি অসিগী সেবা হি সঙ্ঘথন হায়বদি মীয়ামগী থৌগল তৌবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লবসু পার্টি ৱার্করশিংদা পাউতাক পীরম্লে।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীপুম খুদিংমক্তা ফংহল্লিব্রা নৎত্রগা ফংদবা য়াওরিব্রা হায়বদু পার্টি ৱার্করশিংনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মসিদা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী কান্নবা কয়া ফংলে হায়বা খঙলে। ফংদবা খরা য়াওরিবসি করিগীনো হায়বা থিদোক্তুনা ফংহন্নবসু হোৎনরি। মসিগীদমক পার্টি অসিগী বুথ লেভেলদা লৈরিবা ৱার্করশিংগী মরক্তা য়ুথ

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

রাফেল এয়রক্রাফ্‌ট দিলগী মতাংদা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা ৱাথোক ওইরবা রাফেল দিলগী মতাংদা নিংতম্না থীজিন্নবা অমুক হন্না দিমান্দ তৌহনগদবা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়াদা রাফেল ফাইটর এয়রক্রাফ্‌ট ৩৬ য়োন্নবগী য়ুরো বিলিয়ন ৭.৮গী দিলদা চথখি হায়বা করপসন অমসুং ফেভরিটিজমগী থৌওংশিংগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা জুদিসল ইনভেষ্টিগেসন অমা লিদ তৌনবা ফ্রেঞ্চ জজ অমা খনখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ ৱেবসাইট মিদিয়াপার্টনা অনৌবা রিপোর্ট অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

অনৌবা রিপোর্ট অদুদা মিদিয়াপার্টনা হায়, দসোল্ট এভিয়েসননা কুমজা ২০১৫গী মার্চ ২৬তা অনিল অম্বানি গ্রুপকা অহানবা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখি। মদুগী মতুং চয়োল অনী লৈরগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পেরিসতা রাফেল জেট ৩৬ লৈবা অমসুং এয়রক্রাফ্‌ট ১২৬কী হান্নগী কন্ট্রেক্ট কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ লাউথোকখি।

মিদিয়াপার্টকী ইনভেষ্টিগেটিভ রিপোর্টর অমগী মতুং ইন্না, ফ্রেঞ্চ পব্লিক প্রোসিক্যুটর সর্ভিসেসকী ফাইনান্সিএল ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ৱারেপ অমা লৌরবা মতুং জুন ১৪দা কুমজা ২০১৬তা খুৎয়েক পীনখিবা গভর্ণমেন্ট মশেলগী দিল অদুগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না সেন্সিটিভ প্রোব অমা হৌনবী মতুং ইন্না হৌখি।

কুমজা ২০২১গী এপ্রিলদা মিদিয়াপার্টনা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী ২১শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী ২১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী আই পি আর লৈশেম্বা লামাবনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, প্রসিদেন্ট য়ু সী এম; ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, কন্সলটেটিভ মেম্বর য়ু সী এম; এল জাধু, কন্সলটেটিভ মেম্বর য়ু সী এমনা মরু ওইবা ফম্ফমলাংদা ফমখি।

থৌরমগা মরী লৈননা সেক্রেটরি জেনরেল

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

৭শুবা য়ু জি সী পে স্কেল পীনবগী ওর্দরবু অমক্তানা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবা মতমদা অমক্তাগী ইগজেক্যুটিভ কম্মিটিগী অথুবা মীফম অমা ফমদুনা ঙসি থোকখিবা ৭শুবা য়ু জি সী পে স্কেল এন্দ য়ু জি সী রিজোল্যুসন ২০১৮ মণিপুরগী কোলেজ ওজাশিংদা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌনবগী থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১০/১৮৭/২০১৮-ঐচ ঈ তাং জুলাই ৩, ২০২১ অসিবু খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অসিনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা অমক্তাগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ওর্দর খুৎশিন্নবীরকখিববু অমক্তানা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

অমক্তানা মীফম অদুদা য়াওখিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর (ঐচ ঈ) অমসুং অতৈ ওফিসরশিং লোয়ননা হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমসুং ওফিসর অমসুং থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মীদিয়াগী মীওইশিংবুসু ঙমখৈ থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমক্তা-ঈ সীনা ঙসি থোক্লিবা ওর্দর অসিদা করিগুম্বা এনোমেলি লৈরম্লগসু রেক্টিফিকেসন তৌনবা মিনিষ্টরদা হায়জবদা হরাও হরাও য়াবীরকখিববুসু অমক্তানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মতুংদসু হায়র এদ্যুকেসনবু মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরগী লীচিং মখাদা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

পোজিটিভ ৬৮৯ থেংনখ্রে, মীওই ১৩ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৬৮৯ থেংনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা ৬৮৩ (নুপা ৩৩২, নুপী ৩৮১) না মীচম মীয়ামশিংনি অদুগা কেস ৬না সী এ পি এফকী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

কেসশিং অসি রিমসতা ২২, জে নিমস ৭২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৩৮৩ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২১২ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৩৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৪৭, থৌবাল ৬২, বিষ্ণুপুর ৬৭, ককচীং ৩১, উখ্রুল ২, চুড়াচান্দপুর ৯০, চান্দেল ২, সেনাপতি ১০, তেংনৌপল ১১, ফেরজোল ১৫, জিরিবাম ২, নোনে ২ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, থৌবাল ১, ককচীং ২, কাংপোকপী ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি। মখোয়শিং অসি রিমসতা ৩, জে নিমস ৫, রাজ মেদিসিটি ২, শিজ হোস্পিটাল ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ২ লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপুনবা মীওইশিংগী মশীং ১১৮৮ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫২০নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২০১, রিমস ১৮, জেনিমস ২, সী সী সীশিংদগী ১১৯, সী ঐচ আই সীশিংদগী ১৮০নি। লোয়ননা ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৬৮৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপুনবা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

য়ু কে এল এফকী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি নোংমৈগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৬.৪৫ রোম তারকপদা সী দি ও ককচীংগী টিমশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ফৈজাং ভিলেজদগী লৈঙাক্কা শু তৌনরিবা য়ু কে এল এফকী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ্তা য়াওরিবা য়ু পি এফকী কনভিনরসু ওইরিবা থাংবোই হাওকিপ এলিয়জ টি এল জেকোপ থাদৌ (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা সৈজাং হাওকিপ য়াওনা অতোপ্পা মীওই অমগা এ কে ৪৭ রাইফল ১, মেগজিন ৩ অমসুং লাইফ রাউন্দ ৪০গা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি।

সী দি ও টিম অসিনা ফাগৎখিবা অতোপ্পা অদুগী মীওইনা এম্খোনি খম্মাইলেন মাতে (২০) অপোকপা টিমোথি খাংগিন মাতে কৌই। মখোয় অনীমক ফৈজাং ভিলেজদগী ঙাক্তনি হায়রি। মখোয়দগী রিকোভর তৌখিবা অতৈ পোৎলমশিংনা বোর ১২গী পম্প এক্সন গন ১, মসিগী মরূ ৪, ভিভো মোবাইল হেন্দসেট ১, ফৈজাং ভিলেজ ওথোরিটিগী চীফ/ চেয়রমেনগী সিল ২ অমসুং সেক্রেটরি সিল ১ অমদি হুন্দাই ক্রেটা (অঙৌবা) এম এন ০৪-পি-১৮৪৯নি হায়রি।

মখোয়না ঙরাং নুমিদাং কে মোলনোম ভিলেজদা নোংমৈ পায়দুনা খুঞ্জাশিং কিহন্দুনা শেল লৌনবা হোৎনরে হায়বা পাউদগী লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মখোয় অনী পোৎলমশিং অসিগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

অমোৎ-অকায়শিংদগী ‘লনগৈ’ ওন্থোকপা য়ারে : দেবেশ্বর

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পার্ট ফোর ময়ায় লৈকায়দা লৈবা দেবেশ্বর ইরোমনা মশাগী লৈজবা শুপ্নতগী লুপা লিশীং ১৫ খক্তমক পুথোক্তুনা হৌরকখিবা থবক্না ঙসিদি মণিপুরবু ‘ফ্রী প্লাষ্টিক জোন’ অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাংলকপগা লোয়ননা ফত্তবনি হায়দুনা মফম মতম য়েংদনা মীয়াম্না লংথোক্লরিবা অমোৎ-অকায়শিংদগী মায় পাক্না ‘লনগৈ’ ওন্থোকপা ঙম্লে।

মেথমেটিক্সতা ওনর্স ফংদুনা বি এ সী পাস তৌখিবা ইরোম দেবেশ্বর পুন্সিগী অহানবা হিংনবগী লানফমদা মহৈরোয়শিং ট্যুসন তৌদুনা শেল তাল্লকখি। অদুবু ঙসিদগী চহী ১২

রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০৯দগী থংনবা চহী ২০১০ ফাওবা চহী অনী চুপ্পা লম্ফেল পাৎতা লৈবা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ প্লাষ্টিক এঞ্জিনিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজি (সিপেট) দা প্লাষ্টিক রিসাইক্লিং তৌদুনা পুথোকপগী ট্রেনিংদা শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা থা ৬/৬কী ওইনা পাঙথোকপা প্লাষ্টিক রিসাইক্লিংগা মরী লৈনবা ট্রেনিং কয়াদসু থৱায় য়াওনা শরুক য়ারকখি।

মহাক্না য়াওখিবা ট্রেনিংশিং অদুদগী ফংলকপা লৌশিং ময়াম অদু থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক মার্চ, ২০০৯দগী মশাগী লৈজবা লুপা লিশীং ১৫ খক্তমক হান্না পুথোক্তুনা মপান লমদগী প্লাষ্টিক রো মেটরিএলশিং লৈরগা তাকয়েলদা লৈবা সিপেটকী মতমদুদা শীজিন্নদনা লৈরম্বা মেছিনশিং মহাক্না মফম অদুদা ট্রেনিং য়াওনা য়াওনা রো মেটরিএলশিং অদুদগী তোঙান তোঙানবা পাইপ মখলশিং পুথোকপা হৌরকখি। মহাক্কী অহানবা প্রদক্সনশিংগী মনুংদা পাইপ অমসুং মসিদগী হেন্দোক্তুনা দষ্ট বিন অমদি লৈ থারিবা গল্লা হাপ্নবা পাত্রনচিংবা পুথোকখি। মহাক্না পুথোকখিবা পাইপশিং অদুগী মনুংদা পৱা অহুমলোমগী অমসুং ইঞ্চি অনী রোমগী দাইমেটর ওইবা পাইপশিং য়াওখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

চীফ মিনিষ্টরনা হৈঙাং, কমেং অমসুং লমদেংদা প্রোজেক্ট অহুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৈঙাং, কমেং অমসুং লমদেংদা মথংশিংনা স্প্রিং ৱাটর হার্ভেষ্টিং, সষ্টেনেবল ৱাটর অমসুং ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা আই সী আই সী আই ফাউন্দেসনগা খূৎশম্নননা পাঙথোকখিবনি।

প্রোজেক্টশিং অদু শঙ্গারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ফোরেষ্ট এরিয়াশিং প্রিজার্ভেসন অমসুং প্রোটেক্সন তৌবা অসি হৌজিক্কী মতম অসিদা তৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংনি। গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসনগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম অমসুং স্কিমশিং পায়খৎলে হায়খি।

গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং ইনভাইরোনমেন্টেল দিগ্রেদেসনগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা মায় পাক্না চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসন পায়খৎলে। হৌখিবা মতম খরদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা পাক্তক্লনা উ থাবগী থবকশিং হৌরে হায়খি।

মীয়ামদা পোটেবল ৱাটর পীবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা আই সী আই সী আই ফাউন্দেসনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা থবক অসিনা ষ্টেট অসিগী য়ূমথোঙ লিশীং কয়াদা মসিগী কান্নবা ফংহল্লগনি হায়খি। লোয়ননা ফাউন্দেসন অসিদা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা রিফোরেষ্ট্রেসন প্রোজেক্টশিং পায়খৎহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং ঐচ ও এফ এফ ডা. এ কে যোসিনচিংবা শরুক য়াখি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫